**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা ওন্ন-তৈনবা ৱাফম কয়া দাইত্ব লৈবা মীওইশিংনা ফোংদোরকপা অমসুং ইরাং অসি লোইশিন্নবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎতববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা অহিংদা মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখি।

২) ছত্তিসগরগী নরায়নপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা য়ামদ্রবদা মাওইষ্ট ২৮ শিরে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- অথুবা মতমদা সেমি কন্দক্তর প্লান ৫ লিংখৎতুনা মালেমগী মীয়ামদা ভারতনা শাবা চিপশিং ফংহল্লগনি।

**------**

খোঙজং (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী অশেংবা শক্তমগী ওন্ন-তৈনবা ৱাফম কয়া দাইত্ব লৈবা মীওইশিংনা ফোংদোরকপা অমসুং ইরাং অসি লোইশিন্নবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎতববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা অহিংদা মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখি।

কোওর্দিনেতিং কমিতি কংলা শঙ্গোমশঙনা শিন্দুনা হৌখিবা অহিংদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা মৈরাগী রেল্লি অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা ইশাগী ইরমদম ইশানা ঙাকচগনি, দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি তোক্কদবনি অমসুং মণিপুরগী ৱাথোক্কী মতাংদা দাইত্ব লৈতবা ৱাফমশিং ফোংদোকপা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী, ইম্ফাল তিদিম লম্বীগী মফম কয়াদসু নুপীশিংনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা রেল্লি চৎখি। মণিপুরগী ঙমখৈ জিলা, জিরিবামগী মফম কয়াদসু হৌখিবা অহিংদা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা মৈরাগী রেল্লি চৎখি। কোকোমি জিরিবাম মশা লোইশঙনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মৈরাগী রেল্লি অদু মফম অহুম- নেসনেল হাইৱে-৩৭, কালিনাগর অমদি জিরি-তিপাইমুখ লম্বী পরিংদা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখি। তুংদা জিরিবামগী ইরাবত কমপ্লেক্সতা পন্থুংফম ওইখি। মখোয়না মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই, সরকারনা অথুবা মতমদা মণিপুরগী ইরাং লোইশিল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। জিরিবাম পুলিসনসু পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি।

ইম্ফালগী কোনুং মমাং এরিয়াদসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নুপী কয়ানা খুৎতা মৈরা পায়দুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা রেল্লি চৎখি।

ঈচাউ ঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী ককচিং জিলা ফাওদুনা চেল্লিবা সেকমাই তুরেলদগী ঈশিং পাথোরক্তুনা ৱাবগাই এরিয়াদা লৌফম অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া থ্মজিনখ্রে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটতগী ফংবা ৱেদর রিপোর্টতা ঙরাং ককচিং জিলাদা মিলিমিতর ২৬.৬ য়ৌনা নোং চুখি। সেকমাই তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় হৌজিকসু খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়- ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা লৌফমশিং অদুদি- ৱাবগাই তেরা উরক, ৱাবগাই মরাইরেনবমগী সনা লৌ, তোলোংশোই অমদি কৈরক অৱাং লৌকোলনি।

লম্বী (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-১৩৭-এগী ইম্ফালদগী ককচিং ফাওবগী লম্বী পাকথোকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা শোক্নদবা লমশিং ঙরাংদগী জোইন্ট সর্ভে চথবা হৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জোইন্ট সর্ভে অসিদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, মরী লৈনবা এস.দি.ওশিং, পি.দব্লিউ.দি, হোর্তিকলচর, ফিসরিজ, এগ্রিকলচর অমসুং সেরিকলচরগী ওফিসিয়েলশিং য়াওরি। ৱাংগোইগী এস.দি.ওনা কোনবা লন্বী অসিগী নাক য়েৎতসু ঙরাংদগী সর্ভে চখুবা হৌখ্রে। মরী লৈনবা পট্টাদারশিংনা জোইন্ট সর্ভে চখুরিঙৈ মনুংদা শরুক য়াননবা ৱাংগোইগী এস.দি.ওনা থোকপা চেরোল অমদা ফোংদোক্লি।

এআর (এল)ঃ মোলবাইলুপ মনাক্তা ইং ১৯৯৬ কী ওক্তোবর অহুমদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেন ওম বহাদুর সুনালবু নিংশিংদুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম নহাল ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, জম্মু কাশ্মীরগী লালপুরাদা ইং ১৯৯৫ গী ওক্তোবর ৪ দা তেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী মীওই অমা অমসুং ইং ১৯৮২ গী ওক্তোবর ৪ দা তদুবী-ইম্ফাল রোডতা খুৎ থোক বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা নাইক শমু সিংহগী মফমদা ইকায় খুমবগী উৎপগা থৌরম অমসু ঙরাং চান্দেল জিলাগী মোদিদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

লাইরিক (এল)ঃ দ গ্রেট কোসমিক দিস্কোভরি হায়বা লাইরিক অমা ঙরাং ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা সাইন্স সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার ঐচ. নন্দকুমার শর্ম্মনা ইবনি। লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার সি. অমুবা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মেথমেতিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিন, প্রোফেসার সুমিত্রা ফানজোবম য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। লাইরিক অসি সাইন্স টিচরস ফোরম মণিপুরনা ফোংবনি।

মাওইষ্ট ঃ  ছত্তিসগরগী নরায়নপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা য়ামদ্রবদা মাওইষ্ট ২৮ শিরে। থৌদোক অদু জিলা অসিগী সাউথ অবুসমাদ এরিয়াদা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থোকখিবনি। মফম অদুদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী দি.আর.জি অমসুং এস.টি.এফকী অপুনবা কাংবুনা মফম অদুগী গোবেল, নেনদুর অমসুং থুলথুরি এরিয়াদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চখ্খি। মদুদা নেনদুর-থুলথুরিগী উমংদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা থৌদোক থোকফমদগী লৈখিদ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী হকচাং ফংবা ঙমখ্রে। মফম অদুদগী এ.কে. ফোতিসভেন অমসুং সেল্ফ লোদিং রাইফলশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে হায়রি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা সেমি কন্দক্তর প্লানশিং অথুবা মতমদা লিংখৎলগনি। মসিদগী পুথোরকপা ভারতনা শাজবা চিপশিং মালেমগী মফম কয়াদা ফংহনবা ঙম্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা কৌতিলয়া ইকোনোমি কনক্লেভতা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি মোবাইল ফোন লৈবা লমদম অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি মোবাইল ফোন পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী ওইনা ইকোনোমিগী লমদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা মালেমগী ইকোনোমিগী মঙাসুবদা লৈরি। হৌজিক্কি মতম অসিদা মালেমগী মীয়ামা ভারত্তা থাজবগী মীৎয়েং অমা থম্বা হৌরক্লি। রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ত্রান্সফোর্ম হায়বসি মহাক্কী সরকারবু লমজিংলিবা মন্ত্রনি হায়নসু শ্রী মোদিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ইলেক্সন ঃ  হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোট  হৌজিক অয়ুক পুং ৭ তদগী থাদনবা হৌখ্রে। নুমিদাংৱাইর পুং ৬ তা ভোৎ থাদনবা লোইগনি।

পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২০.৬৩২ দা ভোৎ থাদনরি। সদস্য ৯০ লৈবা বিধান সভা অসিগী মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,০৩১ না লম্বা থেংনরি। মদুগী মনুংদা নুপা মীরেপ ৯৩০ অমসুং নুপী মীরেপ ১০১ য়াওরি। মীরেপশিং অসিগী মনুংদা ৪৬৪ দি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপনি। রাজ্য অসিগী ওইনা ভোটর কোতি অনি লাখ ৩ লিশিং ৫৪ খরা হেন্না লৈ।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চল্লক্তবা অমসুং মৈরাগী রেল্লি চৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চল্লক্তবসি সেন্তরনা মণিপুরবু লুমা লৌদবদগীনি হায়বা ইবোবীগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং পোকফম, ঈচেল এক্সপ্রেস  অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং থেংননবা য়ুমলোন্নরিবা ষ্টেটশিং পুনশিনবা মথৌ তাই হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। লোল মঙা ক্লাসিপেল লেঙ্গুএজ ওইনা শকখঙবদা মণিপুরী লোল য়াওরক্তববু এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা থম্মোয় শোকপা ফোংদোরক্লি হায়না পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিলপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ৱারোহশিনগী থবক তৌগদবনি হায়বা এ.আই.সি.সিগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা তম্পাক্তা পাক-শন্না মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে। লান অসি ইন্দিয়ানা চথবা প্রোক্সি ৱারনি হায়বা ময়েক শেংলে কোকোমিগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী মতাংদদি বি.জে.পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্কী ইঞ্জিন অনিমক মথৌ তৌদ্রে হায়বা এ.আই.সি.সিগী সেক্রেটরিগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা- লান অমসুং দেঙ্গি মায়োকরিঙৈদা তুরেলশিংসু লায়না শন্দোকফম ওইরক্কদৌরিব্রা। স্বাচতা হি সেবানা কোনশিনলমদ্রবা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিংদা তমথিরবা লায়নাশিং পোল্লুক্কদ্রা মীপাইনরে হায়না ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগীদমক সেন্তর অমসুং ষ্টেটনা লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা ময়ুম মকৈ শানবা, অৱাৎ অপা মেনখৎনবা কন্না হোৎনরি হায়বা রিপোর্ট অমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- উখ্রুলদা উংখৎনবা থোকখ্রবা মতুং শান্তি হঞ্জিনহন্নবা এন.দব্লিউ.য়ুনা আপীল তৌরক্লি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ গানফিউ মেলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-মৈতৈবু এস.টি লিষ্টতা চন্নবা সেন্তরদা রিকমেন্দেসন থানবা এস.টি.দি.সি.এমনা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------